স্কুলশিং হাংলগনি

গান্ধিনগর/জয়পুর, জুলাই২৩ (এজেন্সী):

ক্লাস টুয়েল্ব অমসুং কোলেজশিং ওফলাইনদা মহৈ তম্বা হৌনবা হৌখিবা চয়োলদা অয়াবা পীখ্রবা তুংদা গুজরাত গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অসিদা ক্লাস নাইনদগী ইলেভেন ফাওবা জুলাই ২৬তগী ওফলাইনদা অমুক হন্না মহৈ তম্বা হৌবা য়ারগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

গভর্ণমেন্ট ষ্টেটমেন্টকী মতুং ইন্না চাদা ৫৩গী কেপাসিটি অমসুং মহৈরোয়শিংগী মমা-মপাশিংনা অয়াবা পীবগী মতুং ইন্না ওফলাইন ক্লাসতা য়াওগদবনি। ষ্টেট অসিদা কোভিদ কেস হন্থরক্তুনা নোংমদা থেংনবা কেস মশিং দিজিট অনীদগী হেন্দবদগী ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা জুলাই ১৫দগী কোলেজ, পোলিটেক্নিকশিং অমসুং ক্লাস টুয়েল্ব হাংননবা ৱারেপ লৌখি।

নাকল অমরোমদা, রাজস্থান গভর্ণমেন্টনসু কোরোনাভাইরস পেন্দমিকনা মরম ওইদুনা থেংনখিবা স্কুল পূম্নমক লাক্লিবা ওগষ্ট ২দগী অমুক হন্না হাংলগনি হায়না লাউথোকখ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর গোভিন্দ সিংহ দোতাসারানা হায়খি, কোরোনাভাইরসনা অঙাংশিংদা কিহনবগী মওং অমত্তা লৈত্রে হায়না এক্সপর্টশিংনা মোত পীবদগী স্কুলশিং হাংবগী ৱারেপ অসি লৌবনি। তৌইগুম্বসুং স্কুল হাংবা মতমদা কোভিদ প্রোটোকোলশিং চেকশিন্না ঙাক্কদবনি।

ভিজিলেন্স রেইদশিং কোর্টতা থেংনরগনি

চেন্নাই, জুলাই ২৩ (এজেন্সী):

দিরেক্টরেট ওফ ভিজিলেন্স ওফ ক্রাইম ব্রাঞ্চ (দি ভি এ সী)না টামিল নাদুগী হান্নগী ষ্টেট ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর অমসুং পার্টিগী লীদর এম আর ভিজয়াভাস্করগা মরী লৈনবা মফম ১২দা রেইদ চথখিবগী মায়োক্তা ওপোজিসন এ আই এ দি এম কেনা লোগী মতেং লৌগদৌরি।

রেইদশিং অদু শগোলশেন নুমিত্তা পাঙথোকখিবনি। এ আই এ দি এম কেগী কোওর্দিনেটর অমসুং হান্নগী চীফ মিনিষ্টর পানীরসেলভমনা হায়, দি ভি এ সীনা চথখিবা রেইদশিং অদু পার্টি অসিনা লোগী মতেংনা থেংনরগনি। রেইদশিং অদু এম কে ষ্টেলিন গভর্ণমেন্টনা মখোয়গী মায়োক্তা চথবা পোলিটিকেলগী ওইবা লমন খুন্নগী থবক থৌওংশিংগী মনুং চল্লি। পানীরসেলভম অমসুং এলানিস্বামি য়াওনা পার্টি অসিগী মরু ওইবা লুচিংবা কয়ানা রেইদশিং অদুবু লোগী মতেং লৌরগা অমদি পোলিটিকেলগী ওইবা খোঙথাংশিংগা লোয়ননা থেংননবা ৱারেপ লৌখিবনি।

নোং কন্না চুবদগী মহারাষ্ট্রদা চীং নিংখায়বা অমদি লেন্দস্লাইদতা মীওই ৬৫ হিংনা ফূমখ্রে

রাইগদ, জুলাই ২৩ (এজেন্সী):

নোং কন্না চুবদগী মহারাষ্ট্রগী রাইগদ, রত্নগিরি অমসুং সাতারা দিষ্ট্রিক্টশিংদা চীং নিংখায়বা অমসুং লেন্দস্লাইদ থোকপদা য়ামদ্রবদা খুঞ্জা ৬৫ হিংনা ফূমজিনখ্রে হায়না ইরাই নুমিত্তা রাইগদতা ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

চীফ মিনিষ্টর উদ্ধব থাক্রেনা হায়খি, ঙন্না লাকপা রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না, মনুং হঞ্জিনবা রাইগদ ভিলেজদা চীং নিংখায়বগী থৌদোক্তা মীওই ৩৩দগী ৩৫ ফাওবা শিখ্রে। মীওই কয়া চীংদগী নিংখায়রকপা নুঙ অমসুং লৈবাক্লা ফূমজিখ্রবা যূমদগী থোকপা যাদনা লৈরি। মী কনবগী থবক কন্না চত্থরি।

থৌদোক অদু রাইগদ দিষ্ট্রিক্তকী চীংগী টাওন মহাদকা নক্লবা তলাই কৌবা অপীকপা খুঙ্গং অমদা থোকখিবনি। নুমিৎ হুম্নি নোং কন্না চুরকপদগী চীং নিংখায়বগী থৌদোক অদু থোকখিবনি।

রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না চীংদুম মচা অমগী মিটর ৫০-৬০ রোমগী শরুক খঙহৌদনা নিংখায়রকখি অমসুং মখাদা লৈরিবা যূম ৪০ রোমদা লৈখোম অমসুং নুঙ অমসুং লৈবাক্লা ফূমখিবনি।

রাইগদকী এম পি সুনিল তাটকারেনা মহাক মফম অদুদা রেস্ক্যু টিমশিংগা লোয়ননা চঙশিল্লক্লবা হোৎনরি হায়না ফোঙদোরকখি। মরক মরক্তা নোং চুবা অমসুং লৈবাক, লৈনাংশিংনা রেস্ক্যু ওপরেসনদা অকায়বা পীখি। তাটকারেনা লাইবক থিরবা থৌদোক অদুদা শিবা মী মশিং হেনগৎলকপা য়াই হায়বগী অকিবা ফোঙদোকখি।

রত্নগিরি অমসুং সাতারাদসু চীং নিংখায়বা নৎত্রগা লেন্দস্লাইদশিংদা য়ামদ্রবদা মীওই ৩৫ হেন্না শিখ্রে। পূং ৪৮ হেন্না নোং লেপ্তুনা চুরকখিবা দিষ্ট্রিক্টশিং অসিদা মীওই ৫০ হেন্না লৈবাক্লা ফূমজিনখ্রবা যূম অতেক-অকায় মরক্তা লৈরমগনি হায়না থাজনরি।

অমরোমদা, ইরাই নুমিত্তা নোর্থ ইষ্ট মুম্বাইগী গোভান্দি সর্ব্বতা মথোল অমগী যূম অমা নিংখায়বদা য়ামদ্রবদা মীওই মরি শিখ্রে অমসুং অতে মীওই ১০ শোক্লে হায়না বি এম সী দিজাষ্টর কন্ট্রোলনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদু অয়ূক পূং ৫ রোম তাবদা থোকখিবনি। গ্রাওন্দগী মথক্তা মথোল অমা য়াওবা যূম অদু নিংখায়রকখিবা মতমদা ভিক্টিমশিং অদু তূম্লগা লৈখি। মুম্বাই ফায়র বৃগেদকী টিমশিং অমদি অতৈ রেস্ক্যু ৱর্করশিং থৌদোক থোকফমদা চঙশিনখি অমসুং য়ামদ্রবদা মীওই মরিগী হকচাংশিং অকায় অতোই মরক্তগী লৌথোকখি। অতৈনা রেস্ক্যু তৌখি।

অশিবশিংসু মশক খঙবা ঙমখ্রে। অমনা চহী ৮০ শুরবা অহলনি অমসুং অতৈ অহুমদুনা চহী ৪৫, ৩৫, ২২গী নুপীশিংনি। অশোকপশিংদু বি এম সী সীওন অমসুং রাজাৱাদি হোস্পিটালশিংদা পুখৎখি।

আই ঈ দি কেজি মঙাগী পেলোদ য়াওবা দ্রোন অমা জম্মুদা কাপথখ্রে

শ্রীনগর, জুলাই ২৩ (এজেন্সী):

ইরাই নুমিৎতা জম্মুগী অখনুর এরিয়াদা আই ঈ দি কেজি মঙাগী পেলোদ য়াওবা হেক্সাকোপ্টর অমা পুলিসনা মতম চানা কাপথখ্রে।

এ দি জি পি (জম্মু) মুকেশ সিংহনা ফোঙদোরকপদা, হৌখিবা অহিং নোংয়াই মতুং পুং অমরোম তাবদা পুলিসনা আই ঈ দি মেটরিএল কেজি ৫ পুবা দ্রোন অদু পেলোদ থাদনবা পাইথরকপা মতমদা কাপথখি।

মহাক্না হায়খি, ইরাই নুমিৎকী দ্রোনদা শীজিন্নরিবা ফ্লাইট কন্ট্রোল্লরগী সেরিএল নম্বর অদু মতম খরগী মমাঙদা অখনুরদা কাপথখিবা দ্রোনদুগা শুপ্নগী দিজিট অমখক খেন্নে। লোয়ননা মদুদা শীজিন্নবা থ্রেদশিংসু এ এফ এস জম্মুদা পেলোদ থাদবদা শীজিন্নখিবদুগা মান্নে।

এ দি জি পিনা হায়, আই ঈ দি মেটরিএল অদু নীংথিনা পেক তৌরমখি অমসুং ৱায়র খরা শম্নহল্লগা ত্রিগর তৌগদবগী ফিভমদা লৈরমখি। ঙসি কাপথখিবা দ্রোন অদু ফ্লাইট কন্ট্রোলর অমা অমসুং জি পি এস ফিট তৌবা অমসুং মশা তরুক পানবা হেক্সাকোপ্টর অমনি।

আই ঈ দি মেটরিএল অদু কনাগুন্বা অমনা লৌখৎকদবনি। সস্পেক্ট অদুবু ঐখোয়না মতম খরা ঙাইবদা কনামত্তা লাকখিদে। জাইস-ঈ-মুহম্মদনা (জে ঈ এম) মান্নবা সেরিজগী দ্রোন কয়া পানখৎপগী মওং মাল্লি। মমাঙদা রিকোভর তৌখিবা দ্রোনগী সেরিএল নম্বর অমসুং ঙসি কাপথখিবা দ্রোনগী সেরিএল নম্বরগী মরক্তা শুপ্নগী দিজিট অমখক খেন্নরমখি।

পেলোদকী মখা পোন্না অসিগুন্বা দ্রোনশিং অসি কিলোমিটর ২০ ফাওবগী লম য়ৌশিনবা ঙম্মী হায়না টোপ পুলিস ওফিসর অসিনা মখা তাখি।

টেলঙ্গনাগী দিষ্ট্রিক্ট ১৬ ঈশিং থুম্লে

হায়দরবাদ, জুলাই ২৩ (এজেন্সী):

নোং কন্না চুবদগী টেলঙ্গনাগী দিষ্ট্রিক্ট ১৬তা ঈশিং-ঈচাও থোক্লে।

চীফ মিনিষ্টর কে চন্দ্রসেখর রাওনা ওফিসলশিংদা মীকুপ-নাহুম শিংনা লৈনবা অমসুং মিনিট খূদিংগী ওইরক্লিবা ফিভম মোনিটর তৌনবা অমসুং অনেন্বা মফমশিংদা লৈবা মীওইশিং অৱাবা নংহন্দনবা খঙহনখ্রে।

মেট দিপার্টমেন্টনা মথংগী নুমিৎ নীনি নোং কন্না চুগনি হায়না ফোরকাষ্ট তৌখিবগা লোয়ননা মহাক্না দিপার্টমেন্ট খূদিংমক্তা খুদোংথীবা থৌদোকশিং থিংনবগী থৌরাংশিং লৌখৎনবা দিরেক্সন পীখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরগী মতুং ইন্না, মহারাষ্ট্রগী ৱেষ্টর্ন ঘাট নোং কন্না চুবদগী কৃষ্ণ তুরেল কেটচমেন্ট এরিয়াশিংদা ঈশিং-ঈচাও হেনগৎহনগনি। ৱেষ্টর্ন পার্টকী মহাবালেশ্বরদা নোং সেন্টিমিটর ৭০ ফাওবা রেকোর্দ তৌখি।

মহাক্না টেলঙ্গনাগী ওফিসলশিং ঈশি-ঈচাওগী ফিভমশিং করম্না মেনেজ তৌগদগে হায়বা খঙগদবনি হায়খি অমসুং মখোয়দা তুং কোয়না চৎকন্দবা অফবা ফ্লন্দ মেনেজমেন্ট সিষ্টেম অমা থৌরাং তৌনবা দিরেক্সন পীখি।

ঈচাও মনুংদা করম্না মীয়াম্বু শোকহল্লোইদগে অমসুং অৱাবা মায়োক্নহল্লোইদগে হায়বা খঙবা ওফিসর তরেৎ য়াওনা নীংথিনা মথৌ তৌবা ঙম্বা ফ্লন্দ মেনেজমেন্ট টিম অমা লিংগদবনি। লোয়ননা চহী খূদিংগী ঈচাওগী রেকোর্দশিং থমগদবনি অমসুং মমাঙগী ঈচাওগী রেকোর্দতা যূম্ফম ওইরগা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎকদবনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

এক্সিদেন্টতা একুজগী মমান্নবা শিখিবদা চিংনবা পোক্লখ্রে

তিরুভান্তপুরম, জুলাই ২৩ (এজেন্সী):

কেরলাগী গোল্ড স্মগ্লিং কেস একুজ অমা ওইরিবা অর্জুন অয়ানকিগী মমান্নবা অমা লম্বীগী এক্সিদেন্ট অমদা শিখিবদগী চিংনবা পোক্লখ্রে।

পুলিসকী মতুং ইন্না একুজ অয়ানকিগী মরুপ রামীজ শগোলশেন নুমিৎতা কান্নুরগা নক্লবা অজিকোদতা থোকখিবা এক্সিদেন্টতা শিখি। মহাক কষ্টমসনা কেস অদুগা মরী লৈননা নোটিস থাদুনা লাক্লবা খঙহনখ্রবনি। গোল্ড স্মগ্লিং কেস অমগা মরী লৈননা কষ্টমসনা মহাক্কী মরুপ অর্জুন অয়ানকি ফারবা মতুং থা অসিগী অঙনবদা কান্নুরগা নক্লনা লৈবা মহাক্কী যূমদা ওফিসলশিংনা থা অসিগী অঙনবদা রেইদ চথখি।

পুলিসকী মতুং ইন্না, রামীজনা মফম অমদা মহাক্কী গাড়ী মচাদা মমা থনল্লগা হল্লকপদা মহাক্কী গাড়ীদা কার অমনা থোমখি। থৌদোক অদুদা মহাক ফিভম থীনা শোকখি। মহাক হোস্পিটাল অমদা পুখৎপদা লায়কন্নবা ঙমদনা শিখি। পুলিসনা থৌদোক্তুগী মতাংদা থীজিনবা হৌখ্রে। তৌইগুম্বসুং হৌজিক ফাওবা এক্সিদেন্ট অদুবু উহৌবা মীওই অমতা থোক্লক্ত্রি।

চৈরকসিদা, কষ্টমসনা রামীজগী গাড়ী মচাদা থোমখিবা কার অদুগী পিকচর লৌদুনা য়েংবদা গাড়ীদুগী দ্রাইভরগী থোঙ অদু ফিভম থীনা শোক্লমখি।

রামীজনা থৌরিবা টু-হ্বিল্লর অদু অয়ানবিগী দিমংদা রেজিষ্টর তৌরমখি। মহাক কান্নুরদা পার্টিগী রেদ ভোলন্টিয়রশিংগী কেপ্টেননি। 'ফেসবুক ৱারিয়র' অমা ওইনা মহাক্না সোসল মিদিয়াদা পোলিটিকেল ওপোনেন্টশিংবু এটেক তৌখি।

অদুম ওইনমক, গোল্ড স্মগ্লিংগী ৱাথোক অসি খঙনরক্লবা মতুংদা কান্নুর অমসুং ষ্টেট লেভেল অনীমক্তা পার্টিগী লুচিংবশিংনা মঙোন্দগী লাপথোকখি। গোল্ড স্মগ্লিং কেস অসি হৌখিবা থাদা কোজিকোদকী রামানাতুকারাদা এক্সিদেন্ট অমা থোকপদগী খঙনরকখি। গোল্ড স্মগ্লিং গেং অনীগী মরক্তা অমনা অমবু তান্নবদা মীওই মঙা শিখিবনি।

সরেন্দর তৌ য়াদবা টেররিষ্ট অনী খূৎ থোক্লবদা হাৎখ্রে

শ্রীনগর, জুলাই ২৩ (এজেন্সী):

নোর্থ কাশ্মিরগী সোপোরদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগা খূৎ থোক্লবদা লাস্কর-ঈ-টাইবা (এল ঈ টি)গী টেররিষ্ট অনী হাৎখ্রে। টেররিষ্টশিং অদু সরেন্দর তৌনবা হায়বদা য়াখিদে অমসুং মখোয়না সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লকখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

সোপোরগী ৱারপোরা এরিয়াদা টেররিষ্টশিং লৈরে হায়বা পাউ অমা শ্রীনগর পুলিসনা পীরকপদগী আর্মি, সী আর পি এফ অমসুং পুলিসনা পুন্না মফম অদু কোইশিন্দুনা থমখি অমসুং সার্চ ওপরেসন চথখি।

সার্চ ওপরেসন অদুদা টেররিষ্টশিংদা সরেন্দর তৌনবগী খুদোংচাবা হঞ্জিন-হঞ্জিন পীখি। অদুম ওইনমক, মখোয়না সরেন্দর তৌবগী মহুত্তা অপুনবা সার্চ পার্টিদা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। মদুদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা খূৎ হনখি।

নাকল অনীগী মরক্তগী নোংমৈ কাপ্পবা অদুদা এল ঈ টিগী টেররিষ্ট অনী শিখি। মখোয়গী হকচাংশিং মফম অদুদগী লৌখৎখি।

নোংমৈ কাপ্লবদা শিখিবা টেররিষ্টশিং অদু মশক খঙবা ঙমখ্রে। অমনা ফয়েজ অহম্মদ ৱার এলিয়স রুকানা এলিয়স উমার কৌই। লৈফম্না ৱারপোরানি। মহাক টেরর আওটফিট অসিগী টোপ কমান্দরনি। অতোপ্পদুনা শহীন অহম্মদ মির এলিয়স শহীন মোলভি লৈফম্না চেরপোরা, বুদগামদগীনি।

পুলিস রেকোর্দশিংগী মতুং ইন্না, মীওই অনী অসি তোঙান তোঙানবা ক্রিমিনেল এক্টিভিটিশিংদা চেন্নবা গ্রুপশিংদা য়াওই। মখোয়গী মায়োক্তা টেরর ক্রাইম কেস কয়া রেজিষ্টর তৌখি।

ফায়াজ অহম্মদ মতম শাংনা টেরর ক্রাইম কেসশিংদা চেন্নরকখি। মহাক কুমজা ২০০৮দগী টেররিজমগা শম্নরকখি। মহাক মমাঙদা খূৎলায়গা কোন্ননা সরেন্দর তৌখিবা লৈরবসু অমুক হন্না হিজবুল মুজাহিদ্দিনগী থবক তৌখি। মহাক পি এস এগী মখাদা দিটেন তৌখি। থাদোক্লবা মতুংদা মহাক ২০২০গী মার্চ থাদা আওফিট এল ঈ টিদা য়াওখি।

কর্নাটকাগী কম্যুনিটি খূদিংমক ঈ দব্লিয়ু এস কেটগোরিদা চল্লগনি: য়েদ্দিয়ুরাপ্পা

বেঙ্গলুরু, জুলাই ২৩ (এজেন্সী):

কর্নাটকাগী কম্যুনিটি খূদিংমকপু পেলহন্নবগীদমক্তা চীফ মিনিষ্টর বি এস য়েদ্দিয়ুরাপ্পানা চ্যের লৌদুনা পাঙথোকখিবা ষ্টেট কেবিনেট মীফমদা সেদ্যুল্ড কাষ্ট, সেদ্যুল্ড ট্রাইব অমসুং আদর বেকৱার্দ ক্লাসেসতা চন্দবা অতৈ কম্যুনিটি খূদিংমক রিজর্ভেসন কোটাগী মতাংদা ইকনমিকেল্লি ৱিকর সেক্সন (ঈ দব্লিয়ু এস)তা চলহনখ্রে।

কেবিনেট মীফম লোইরবা মতুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা লো এন্দ পার্লিয়ামেন্টরি এফেয়র্স মিনিষ্টর বাসাভারাজ বোম্মাইনা হায়খি, এস সী/এস টি/ও বি সী লিষ্টশিংদা য়াওদবা কম্যুনিটিশিং ঈ দব্লিয়ু এস রিজর্ভেসন কেটগোরিগী মখাদা থবক্কী এপ্লায় তৌবা অমদি এদ্যুকেসন সীটকী এপ্লায় তৌবা য়ারগনি। হীরম অসিগা মরী লৈননা ওর্দর অমা থুনা থোক্লগনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, চহীদা ইনকম লুপা লাখ ৮গী মখা ওইবা ইমুং খূদিংমক ঈ দব্লিয়ু এস কেটগোরি রিজর্ভেসনগী মখাদা ইলিজিবল ওইরগনি।

জর্নেলিষ্ট, সিভিল সোসাইটি এক্টিভিষ্ট য়াওনা কাশ্মিরগী মীওই ২৫ পেগাসসকী টার্গেটশিং ওইনবা খন্দোক্লম্লে

ন্যু দেল্লী, জুলাই ২৩ (এজেন্সী):

দেল্লীদা থবক তৌবা কাশ্মিরি জর্নেলিষ্টশিং অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মিরগা মরী লৈনবা ওফিসল পোলিসি ক্রিটিসাইজ তৌখিবা মশক নাইবা সিভিল সোসাইটি এক্টিভিষ্ট অমা য়াওনা কাশ্মির তম্পাক্কী মীওই ২৫ হেন্না কুমজা ২০১৭ অমসুং কুমজা ২০১৯ গী ময়ায় চনবা শরুক্কী মরক্তা হৌজিক ফাওবা মশক খঙবা ঙমদ্রিবা গভর্ণমেন্ট এজেন্সি অমনা ইনক্রুসিভ সর্ভিলেন্সকী টার্গেটশিং ওইনবা খন্দোকখি হায়বসি লীক ওইরক্লবা রেকোর্দশিংদগী খঙবা ঙমখ্রে।

রেকোর্দশিং অদু 'দ ৱায়র'না রিভিয়ু তৌখিবনি। লোন্না য়েংশিনবা য়াবা মীশকশিংনি হায়না খন্দোক্লবশিংদুগী মনুংদা কাশ্মিরগী মরু ওইবা সেপরেটিষ্ট লীদরশিং, পোলিটিসিয়নশিং, হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্টশিং, জর্নেলিষ্টশিং অমসুং বিজনেসকী মীওইশিং য়াওরি।

মখোয়শিং অসিগী মনুংদা 'দৱায়র'না সেপরেটিষ্ট অনী হায়বদি বিলাল লোন অমসুং দেল্লী য়ুনিভর্সিটিগী লেকচরর ওইখিবা অমসুং কুমজা ২০১৮দা লৈখিদবা এম এ আর গীলানিগী ফোন অনীদা ফোরেন্সিক এনলাইজ কন্দক্ট তৌখি। লোনগী ফোন অদু এমনেষ্টি ইন্টরনেসনলগী সিক্যুরিটি লেবনা ইগজামিন তৌখি। ফোন সেট অসি মহাক্না মতমদুদা শীজিন্নখিবা ফোনগা মান্নদ্রবসু টার্গেট তৌখি হায়বসি লীক ওইরবা দেটাবেজনা উৎখি। ফোরেন্সিক এনালাইসিসতা ইজরেলি কম্পনি এ এস ও জি গ্রুপকী স্পাইৱেয়র পেগাসসনা টার্গেট তৌবগী খুদম চাংদমশিং ফংখি।

গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা কুমজা ২০১৯ গী ওগষ্টতা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী স্পেসল কন্সটিট্যুসনল ষ্টেটস রিভোক তৌবগা লোয়ননা পোলিটিকেল ওপোনেন্ট, দিসিদেন্ট অমসুং এক্টিভিষ্ট চা-কয়া জেলদা থমদ্রিঙৈ মমাঙদা লোন্না মহাক্কী মনাওনুপা শজদ লোননা লুচিংবা পীপলস কনফরেন্সকা চমম্নহন্দনবা পীপলস ইন্দিপেন্দেন্ট মুভমেন্ট কৌবা মশাগী ওইবা পোলিটিকেল আওটফিট অমা শেমখি।

পেগাসসকী টার্গেটশিং ওইনবা খল্লবা কাশ্মিরগী অতৈ মীওইশিং তোঙান তোঙানবা মরম খরদগী ফোরেন্সিক এনালাইসিস তৌবা ঙমখিদে। 'দ ৱায়র' অমসুং মসিগী মিদিয়া পার্টনরশিংনা হায়রিবদি লীক ওইরবা দেটাবেজদা নম্বর অমা য়াওরম্বা মতমদা মদুগা মরী লৈনবা ফোন অদু ইনফেক্সন লৈরে হায়বদি য়াদে, তৌইগুম্বসুং মদুনা তাক্লিবদি ফোন নম্বর অদু লোন্না য়েংশিল্লিবা দেটাবেজ অদুদা য়াওরিবা অতৈ মীওইশিংগী মনুংদা য়ামদ্রবদা পীপলস দেমোক্রেটিক পার্টি (পি দি পি)গী চীফ অমসুং জে এন্দ কেগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর মেহবুবা মুফতিগী ইমুংগী মীওই অনী য়াওরি। মখোয়বু সর্ভিলেন্সকী টার্গেটশিং ওইনবা খনখিবদু মুফতিনা হান্নগী জে এন্দ কে ষ্টেটকী সী এম ওইরিঙৈ অমসুং বি জে পিগা চুংশিন্নরিঙৈদনি।

বর্দ ফ্লুনা মী শিহনখিবদগী গুরুগ্রামদা মীপাইনরে

গুরুগ্রাম, জুলাই ২৩ (এজেন্সী):

বর্দ ফ্লুনা মী শিহনবা অহানবা কেস ওইনা গুরুগ্রামগী চকারপুর ভিলেজদগী বর্দ ফ্লুনা নারবা মীওই অমা ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস, দেল্লীদা শিখ্রবা মতুংদা হেল্থ এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি দিপার্টমেন্টশিংনা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপা হৌখিবগা লোয়ননা সর্ভে অমা লোঞ্চ তৌখ্রে।

পোলত্রি ফার্ম খূদিংমক চেক তৌনবা দিষ্ট্রিক্ট অদুদা টিম ২৮ রোম শেমদুনা সর্ভে হৌখ্রে। সর্ভে অদু চাকারপুর ভিলেজগী অকোয়বদা লৈবা কিলোমিটর ১০না কোনবা মফমশিংদা পাঙথোখিবনি। মীয়ামদসু বর্দ ফ্লুগী লাইওংশিং খঙহনবগী থবক চথরি।

এনিভেল হজবেন্দরি দিপার্টমেন্টকী দেপ্যুটি দিরেক্টর পুনিতা গেহলাৱাতনা হায়খি, দেল্লীগী এইমসতা শিখিবা চহী ১১গী অঙাং অদু গুরুগ্রামগী চক্করপুর ভিলেজদগীনি। এইমসনা অঙাং অদু বর্দ ফ্লু নারে হায়বসি কনফর্ম তৌরবা মতুংদা চক্করপুর ভিলেজ অমসুং অকোয়বা মফমশিংদা খূদক্তা বর্দ ফ্লুগী সর্ভেশিং চত্থবা হৌখি।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী পোলত্রি ফার্মশিংসু এনিমেল হজবেন্দরি দিপার্টমেন্টনা লেপ্তুনা চেক তৌরি। হৌজিক দিষ্ট্রিক্ট অসিদা পোলত্রি ফার্ম ২০ লোম লৈ। মখোয়বু চেক তৌনবা টিমশিং শেম্লে। চক্করপুর ভিলেজ অমসুং কিলোমিটর ১০না কোনবা অকোইবা মফমশিং তোঙান তোঙানবা টিম ১৭না সর্ভে তৌরি। মসিদা নত্তনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী পোলত্রি ফার্ম খূদিংমক চেক তৌনবা টিম ২৮সু শেম্লে হায়না পুনিতানা ফোঙদোকখি। কলম্বিয়া এসিয়া হোস্পিটাল, গুরুগ্রামগী ইন্টর্নেল মেদিসিন কন্সলটেন্ট মঞ্জিতা নাথ দাসনা হায়, ঐচ ৫ এন ১ অসি বর্দ ফ্লুদা খ্বাইদগী কম্মন ওই। হন্দক্তসু চহী ১১গী অঙাং অমা শিখিবদগী মীয়াম মীপাইনদুনা লৈরিবনি।

থাগৎলে/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি

Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্থবা, পোন্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোন্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোন্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792

HL-B/7035/15/7-15/9

কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

Location	Cases	Recovered	Deaths
Maharashtra	62,50,000+7,302	60,20,000+7,756	1,31,000+120
Kerala	32,20,000+12,818	30,70,000+13,454	15,739+122
Karnataka	28,90,000+1,653	28,30,000+2,572	36,293+31
Tamil Nadu	25,40,000+1,872	24,80,000+2,475	33,838+29
Andhra Pradesh	19,50,000+1,843	19,10,000+2,199	13,209+12
Uttar Pradesh	17,10,000+52	16,80,000+56	22,743+4
West Bengal	15,20,000+793	14,90,000+966	18,040+13
Delhi	14,40,000+49	14,10,000+29	25,040+1
Chhattisgarh	10,00,000+217	9,84,000+359	13,507+1
Odisha	9,62,000+1,948	9,39,000+2,210	5,308+67
Rajasthan	9,53,000+25	9,44,000+22	8,952+1
Gujarat	8,25,000+34	8,14,000+53	10,076
Madhya Pradesh	7,92,000+17	7,81,000+17	10,512
Haryana	7,70,000+25	7,59,000+47	9,613+2
Bihar	7,24,000+61	7,14,000+54	9,635
Telangana	6,39,000+648	6,26,000+696	3,774+3
Punjab	5,99,000+69	5,82,000+123	16,250+4
Assam	5,54,000+1,796	5,33,000+2,262	5,076+22
Jharkhand	3,47,000+22	3,41,000+32	5,122
Uttarakhand	3,42,000+56	3,34,000+48	7,359+2
Jammu and Kashmir	3,20,000+84	3,14,000+172	4,373+1
Himachal Pradesh	2,05,000+115	2,00,000+119	3,509+2
Goa	1,70,000+97	1,66,000+129	3,123+5
Puducherry	1,20,000+68	1,17,000+72	1,783+2
Manipur	**88,978+928**	**77,147+868**	**1,436+12**
Tripura	75,608+509	70,623+594	734+2
Chandigarh	61,916+2	61,073+9	809
Meghalaya	59,346+513	53,945+307	988+14
Arunachal Pradesh	44,708+486	40,102+468	208+4
Mizoram	30,492+847	22,617+295	131+4
Nagaland	27,024+81	25,251+61	536+1
Sikkim	24,341+294	21,294+189	328+2
Ladakh	20,284+2	19,995+10	206
Lakshadweep	10,100+7	9,984+11	49
Andaman and Nicobar Islands	7,525+4	7,377+3	129

TEMPLE OF LEARNING (TOL)
Kha-Naorem Leikai, Canchipur, M.U. Road.
REGISTRATION FOR ADMISSION
FOR
CLASS - XI (SCIENCE, ARTS, COMMERCE Stream)
Eligibility : X Passed/Result awaiting
Mode of Selection : Online Entrance Test.
(Date to be notified later)
Last date of Registration : 28th July 2021
Registration & Admission (Offline & Online)
Details, Log on to School website
www.templeoflearning-edu.org
Email: tolschool2007@gmail.com
Contact : 7005062644, 9612470424, 7005155523 & 9774772821
50% Discount on Admission Fee due to Covid 19 Pandemic.
HL-P/6347/23,24,25,26,27

TEMPLE OF LEARNING DEGREE COLLEGE (TOLDC)
Kha-Naorem Leikai, Canchipur (Liwa Road), MU Road.
Affiliated to Manipur University (MU)
(A Central University)
Registration & Admission Open for 2021-22
FOR
Degree Courses (3 years) in
1. B. B. A. 2. B.C.A.
3. B.S.C. 4. B.A.
Eligibility : XII passed/Result awaiting
Online & Offline Registration & Admission
Details, Log on to School website
www.templeoflearning-edu.org
Email: tolschool2007@gmail.com
Contact : 7005062644, 9612470424, 7005155523 & 9774772821
HL-P/6347/23,24,25,26,27